**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 06-05-2025)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ০৬-০৫-২০২৫, লৈবাকপোকপা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপশিংগী মীওইশিং অমসুং খূৎশু খূৎলাই কয়া ফাগৎলে।

২) চুরাচান্দপুর অমসুং তেংনৌপল জিলাদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা হেরোইন নম্বর ফোরনি চিংনবা পোৎলম কয়া ফাগৎলে হায়রি।

**অমসুং**

৩) ভারত অমসুং জপাননা মতম চুপ্পদা টেরোরিজমগী মায়োক্তা লেপকনি, কৈদৌনুংদা টেরোরিজমগী থৌওংশিং তুমিন্না য়েংদুনা লৈথোক্লোই হায়রি।

**------**

**পুলিস(এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুপ্পগী থবক চথবদা হৌখিবা পুং ২৪ দা খূৎশু খূৎলাই য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী

আইননা থিংখ্রবা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী মীওইশিং ফাগৎপা ঙমখ্রে।

মনিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমগী পাউনা হায়-রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী জিলাশিংগী চিংনবা মফমশিংদা আইন কাইবা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা সেক্যুরিতি ফোর্সকী মাইকৈদগী লেপ্পা লৈতনা থিবা হুন্বগী থবক চথুরি। থিবা হুন্বগী থবক চথুবা অদুদা বিষ্ণুপুর জিলাগী ফৌগাকচাও ইখাই পুলিস স্তেসনননা কোনবা ক্বাক্তা ৱার্দ নম্বর আইটকী মনাক নকপা মফমশিংদগী মেগজিন য়াওবা থ্রি নোট থি রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা পোইন্ট টু টুগী সেমি ওতোমেতিক রাইফল অমা, টুয়েল্ব বোর সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অনি, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম পিষ্টোল অনি, এ.কেগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ১০, এস.এল.আর মরু অহুম য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং ফাগৎপা ঙমখি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী সেকমাই পুলিস স্তেসনননা কোনবা হৈবুংলোক্কী চীংগী মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক চথুবদনা মেগজিন য়াওবা এ.কে রাইফল অমা, শেমদোক্লবা থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা পিষ্টোল অমা, দিতোনেতর য়াওদবা হাই এক্সপ্লোসিভ গ্রেনেদ অমা, চাইনিস হেন্দ গ্রেনেদ অমা, টু ইঞ্চ মোর্তার, ঐচ.ঈ.এম.কে ৱান বোম অমা য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং ফাগৎপা ঙমখি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ইরিলবুং পুলিস স্তেসনননা কোনবা কৈরাও ৱাংখেম অমসুং মসিগা তাইনবা মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক চথুবদা আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.সি.পি-পি.দব্লিয়ু.জি গী মীওই অহুম ফাগৎপা ঙমখি। মখোয়দগী নোংমৈ কয়াসু ফাগৎখি।

জিলা অসিমক্তদগী মন্ত্রিপুখ্রিগী ফ্রেন্স কোলোনিদগী কে.সি.পি-পি.দব্লিয়ু.জিগী মীওই মরিসু ফাগৎলে হায়রি। ফারবা মীওইশিং অসিদগী নোংমৈ অমদি তোঙান তোঙানবা পোৎলম কয়াসু ফঙবা ঙমখি। মখোয়শিং অসি মীচম মীয়ামশিংগী য়ুম অমসুং মীয়াম তিনবা মফমশিংদা বোম

থমজিন্দুনা অকি অখণ্ড নংহনবদা চেন্নবশিংনি হায়রি।

শওন্থুং কবুই খুঞ্জাওদগী পুলিসনা পি.এল.এগী কাদর অমা ফারে হায়রি। মীওই অসিদগী নোংমৈ অমসুং অতৈ পোৎলম কয়ামরুমসু ফংলে। মহাক অসি মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি।

থৌবাল জিলাগী ৱাংজিং অৱাং লৈকাইদগী কে.সি.পি(অপুনবা)গী মীওই অনি ফারে হায়রি। মখোয়দগী তোঙান তোঙানবা পোৎলম খর ফাগৎপা ঙমখি। মীওই অনি অসি জিলা অসিদা মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি।

ককচিং জিলাগী কৈবুং ওইনাম লৈকাইদগী কে.সি.পি-পি.দব্লিয়ু.জিগী মীওই অমা ফারে হায়রি। জিলা অসিমক্কী অঙাংচীং ক্রোসিংদগী কে.সি.পি(তাইবংঙানবা)গী কাদর অমা ফারে।

**হেরোইন(এল)ঃ** চুরাচান্দপুর জিলাগী গৌচিংখুপ ভেং মনাক্কী ভেনস হোতেলদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা মীওই অমা হেরোইন নম্বর ফোরনি চিংনবা পোৎলম কয়াগা লোয়ননা ফাগৎলে হায়রি। মীওই অসিদগী কিলোগ্রাম অমা গ্রাম ৩০০ লোম ওইগদবা হেরোইন নম্বর ফোরনি চিংনবা পোৎলম সাপোন কেপ ১০৮ দা হাপ্তুনা থল্লম্বদগী ফাগৎলে হায়রি। মীওই অসিদগী চাকা মরি পানবা গারি অমসু ফাগৎপা ঙমখি।

অমরোমদা, তেংনৌপল জিলাদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা গারি অমদা থিবা হুম্বগী থবক চথুবদা হেরোইন পাউদরনি চিংনবা পোৎলম ফংবা ঙমখি। গারি অদু অসামগী তামুলপুর জিলাদগী মীওই অমনা থৌরকখিবনি। গ্রাম ৩০০ লোম লুম্বা হেরোইননি চিংনবা পোৎলম অদু পেকেট ১৯ দা হাপ্তুনা পুরক্লম্বনি।

**নরসিংহ(এল)ঃ** মহারাজ নর সিংহগী ২৩৩ শুবা মপোক কুমওন নুমিৎ ঙসি ইম্ফালগী শগোবন্দ মবুধৌ মন্ত্রি লৈকাইদা পাঙথোক্লগনি। থৌরম

অসি মহারাজ নর সিংহ মেমোরিয়েল কম্মিতি ইম্ফাল অমসুং শ্রী শ্রী গোপিনাথ জি তেম্পল বোর্ডনা শিনবনি।

**আইএমসি (এল)ঃ** লম্বীদা য়ুম শানবদা চংবা নুঙ লৈঙোই অমদি ফত্ত হাউদিনচিংবা পৈশিল্লিবশিং থা অসিগী ১০ ফাওবগী মনুংদা লৌথোকবা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন্না খঙহল্লি।

ম্যুনিসিপাল কম্মিসনার কে. চন্দ্রকুমারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- লম্বীদা অসিগুম্বা পোৎলমশিং পৈশিন্দুনা থম্বনা মীয়ামগী চৎথোক চৎশিনদা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লে। অসিগুম্বা মীওইশিংগী মথক্তা আইনগী মখাদা ফাইন থিহনবগী থবকসু চত্থরগনি হায়রি।

**রাজনাথঃ** ভারত অমসুং জপাননা মতম চুপ্পদা টেরোরিজমগী মায়োক্তা লেপকনি, কৈদৌনুংদা টেরোরিজমগী থৌওংশিং তুমিন্না য়েংদুনা লৈথোক্লোই। লৈবাক অনিনা ভারত অমসুং জপানগী মরি হেন্না চেৎশিলহন্নবা অমসুং মতম চুপ্পদা লমদম লমদমগী ওইবা ৱাখল্লোনশিং খন্ননবা ফোঙদোকখি। ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহ অমসুং জপানগী ঙাকশেল মন্ত্রি জেনেরেল নাকাতানিগা ঙরাং উন্নদুনা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না ফগৎহন্নবা ৱারী শান্নখ্রে। লুচিংবা অনিনা ৱারী শান্নবা অদুদা লমদম অশোমদা শান্তি পুরকবগী ৱাখল্লোনদা য়ুম্ফম ওইদুনা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবা য়ান্নখি।

জম্মু কাশ্মীগী পহলগামদা তেরোরিষ্টশিংনা এটেক চত্থরকখিবা অদুবু জপানগী ঙাকশেল মন্ত্রিনা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখি। শ্রী রাজনাথনা হায়-

**--সাউন্দ বাইট--রাজনাথ**

**খেলোঃ** খোলো ইন্দিয়া য়ুথ গেমসতা কর্নাতকাগী তিমনা সনাগী তকমান ৭ অমসুং লূপাগী তকমান ৫ ফংদুনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি। দেল্লিনা সনাগী তকমান অনি অমসুং লূপাগী তকমান অমা অমসুং শেঞ্জেংগী তকমান অমা ফংদুনা অনিশুবদা লৈরে। মহারাস্ত্রনা সনা, লূপা অমসুং শেঞ্জেংগী তকমান অমমম ফংদুনা অহুমশুবা মফমদা লৈরি। রাজস্থাননা মিতর ১০গী ইয়র রাইফল মিক্স টিম ইভেন্টতা সনাগী তকমান লৌরে।

**হরিয়ানাঃ** হরিয়ানাগী মুখ্য মন্ত্রি নায়ব সিংহ সৈনিনা দিন্দয়াল উপধ্যিাই অন্ত্যোদয়া পরিবার সুরক্সা য়োজনাগী বিনিফিসরি লিশিং ২ হেনবদা মখোয় মখোয়গী একাউন্টশিংদা লূপা কোতি ৮৬ লাখ ৯৩ গী শেনফমশিং হাপখ্রে।

হরিয়ানা সরকারনা দয়াল্ য়োজনা অসি ২০২৩গী এপ্রিল ১ দগী হৌদোকখিবনি। থৌরাং অসিনা ইখং খংহৌদনা শিখিবা মীওই নত্রগা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক্তা শিবা মীওইশিংদা তেংবাং অসি পীবনি।

**আই.পি.এলঃ** ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লিগতা ঙসি মুম্বাই ইন্দিয়ন্স অমসুং গুজরাট তাইতান্স লম্বা থেংনগনি। মেটচ অসি ঙসি নুমিদাং পুং ৭ মখায়দা ৱাংখরে স্তেদিয়মদা শান্নরগনি। লিগ অসিদা মুম্বাই ইন্দিয়ন্সনা পোইন্ট ১৪ ফংদুনা অহুমশুবা মফমদা লৈরি। লিগ অসিগী ঙরাং সনরাইজ হাইদ্রবাদ অমসুং দেল্লি কেপিতেলস অনিনা লম্বা থেংনখিবদা নোংনা মরম ওইরগা শান্নবা লেপখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

বি.জে.পিগী নোর্থ ইষ্ট ইন চার্জ সম্বিট পত্ত্রনা মণিপুরদা লাকখিবা, মণিপুরদা ওইরিবা ফিভম অসিগী মতাংদা ওপোজিসন পার্তি কংগ্রেসনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং অমসুং মরক্কী মীখল পাঙথোকবগীদমক শেম শারিবা

তাদুবী এশেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী ফাইনেল ইলেক্তোরেল রোল ফোঙখিবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিং অসি মণিপুরদা ফোঙবা পাউচেশিংগী অহানবা লমাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙনরি।

পাউশিং অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস এদিসন, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, নহারোলগী থৌদাং, হুইয়েন লানপাউ, সনালৈবাক, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, মণিপুর মেল অমসুং গানফিউ মেল পাউচেশিং অসিগী অহানবা লমাইদা ফোঙনরি।

সম্বিট পত্ত্রনা মণিপুরদা লাকখিবগী পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনদা সম্বিট পত্ত্রগী খোঙচৎ, উনবা য়াবা উনখ্রে হায়দোকওদি য়াদ্রি হায়বা পাউ অমসুং ভাইরেল ওইখিবা ভিদিও তেপকী হিয়ারিং, অনৌবা ফোরেন্সিক রিপোর্ট কৌখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

পাউশিং অসি তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদসু অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সেন্তরনা অনৌবা লৈঙাক শেম্লক্ত্রবদি গভর্ণরদা ক্লেম তৌরগনি হায়না বি.জে.পিগী এম.এল.এ লৌরেম্বম রামেস্বরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম পোকফম পাউচেগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

মোদিনা মীয়ামগী অৱাবদগী ইলেক্সননা হেন্না লুনা লৌই হায়বা পাউ অসিসু পোকফম পাউচেগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি। পাউ অসিমক তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা পিপলস ক্রোনিকল পাউচেগী অহানবা লমাইদসু

ফোঙলি।

গভর্ণরনা নেসনেল হায়ৱে প্রোজেক্টশিং মতম চানা লোইশিন্নবা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি। পাউ অসিমক সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা লমাইদা তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি। মণিপুর মেল পাউচেদসু পাউ অসিমক তোঙান মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

হাই কোর্টনা জজমেন্ট রিজর্ভ তৌবা অহানবা ইলেক্সন পিতিসন সুবাসচন্দ্র ভর্সেস কেবী হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

সম্বিট পত্ত্রনা চুরাচান্দপুরদা চত্তুনা কুকিগী এম.এল.এশিং অমসুং সি.এস.ওশিংগা উনখ্রে হায়বা পাউ ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অহানবা লমাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি। পাউ অসি বি.জে.পিগী নোর্থ ইষ্ট ইন চার্জ সম্বিট পত্ত্রনা হান্নগী চিফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনগা উনখ্রে হায়না তোঙান মওংদা হেদলাইন তৌদুনা গানফিউ মেল অমসুং তামেংলোং তাইমসকী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

**--পাউ লোইজরে--**